# রিও ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিক্তা মহারিসি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস পীরগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৭ :
রিও ওলেম্পিক্কী রেষ্টলিং ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিক অমসুং হরিয়ানা গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা পীবা য়াবা পূন্নমক পীরগনি হায়না হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীখ্রে।



রুলগী মতুং ইন্না সক্সি মালিক্তা ফংহনবা য়াবা ফেসিলিটি পূন্নমক ফংহল্লগনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা হরিয়ানা স্পোর্টস অমসুং য়ুথ এফ্যেরস মিনিষ্টর অনিল ভিজনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিদা সক্সি মালিক অমসুং হরিয়ানা গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা অমদি রুলগী মতুং ইন্না শক্সি মালিক্তা পীবা য়াবা পূন্নমক পীরগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খটারনা সক্সি মালিক্তা ক্রোর ২.৫ গী চেক অমা সক্সি মালিক্না রিও ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরক্লবা মতুং ইন্দিয়াদা হেক খোংদারকপা মীকুপ অদুদা খূৎশিন্নখ্রবনি। সক্সি মালিক্না মঙোন্দা স্পোর্টসকী দিরেক্টরগী ফম পীগদবনি হায়না দাবী তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু মতম খরা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টসকী দিরেক্টরগী ফম পীবা ঙমলোই হায়বগী মতাংদা চয়েৎনদুনা লাকখিবনি।

সক্সি মালিক্না তাল্লিবা স্পোর্টসকী দিরেক্টরগী ফম অদু রোটক্তা লৈবা মহারিসি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটিদা হাপ্লগনি। মসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা স্পোর্টসকী দিরেক্টর ওইনবগীদমক ফোমেলিটিজ পূন্নমক থা অসিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খটারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সক্সি মালিক্ন া তাল্লিবা দিমান্দ পীবা অমদি পীদবগী মতাংদা চয়েৎনদুনা লৈরকখিবা অদু মায়কৈ কয়াদগী ৱাফম কয়া লাকখি। সক্সি মালিক্না রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌরকখিবা অদুগী তৌবিমল উৎপা ওইনা মহাক্না পাল্লিবা থবক্কী পোষ্ট অদু পীফম থোকই হায়বা ৱাফমশিং লেপ্তুনা লাকখি। ওপোজিসনগী কোংগ্রেস লিদরশিংনসু হায়রিবা ৱাফমশিং অসি পুখৎলকখি।

হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা রোটক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা লুপা লাক্ষ ৭৫ গী শেনফম কায়থোক্তুনা হৌজিক হৌজিক সক্সি মালিক্না ত্রেনিং তৌরিবা হোল অদু এয়র কন্দিসনগী সিষ্টেমশিং ইন্সটোল তৌখ্রবনি। সক্সি মালিক্না ওলেম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবা অদুগীদমক্তা হরিয়ানা গভর্ণমেন্ট অমদি লৈপাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনি অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী মতেং কয়া পীরবসু মহাকপু তাকপী তন্বীরিবা কোচতদি মনা পীবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে।

হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা মনা পীনবগীদমক কোচ অমগী মমিং হায়রকউ হায়না সক্সি মালিক্তা খঙহনখিবগী মতুং ইন্না সক্সি মালিক্না কোচ অনীগী মমিং অহানবা এফিদেবিদতা পীখৎলকখি। অদুগা অতোপ্পা এফিদেবিদ অমদনা কোচ অহুমগী মমিং পীখৎলকখি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা মীওই খরসু মহাক্কী কোচ ওইজগে হায়দুনা ক্লেইম তৌরকপগী ৱাফমশিং পুথোকখি।

হরিয়ানা স্পোর্টস অমসুং য়ুথ এফ্যেরস মিনিষ্টর অনিল ভিজনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিগী মতুং ইন্না লম পীবগী ৱাফম লৈতে। অদুম ওইনমক সক্সি মালিক্না হরিয়ানা অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিদা লম প্লোট পীবিয়ু হায়না চে থারক্লবদি পীনবগী ৱাফম লৈ অদুবু সক্সি মালিক্না প্লোট পীয়ু হায়বগী ৱাফম ঙসি ফাওবদা মহাক্না তাকথোক্ত্রি।

হৌজিক হরিয়ানা ষ্টেট গভর্ণমেন টনা এসিয়ন গেমস অমদি অতোপ অতপ্পো কম্পিটিসন কয়াদা মনা লৌরক্লবশিংদা শেলগী মতেং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

## গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ০৭ (ঐচএনএস) : অফবা ফুটবোল্লর কয়া পুথোক্লবগী পান্দমদা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম অমা চহী ৬ তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইনা থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা পাঙথোল্লগনি। অম্ফাগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং অসি থা অসিগী ২০ দগী চথৰা হৌগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থাউগ্রাউ দগী গেটতা লৈবা বোবা পি সী ও অমসুং জি নেটতগী লৌরবা য়াগনি।

# বিরাট কোহলিনা লুচিংবা মায় পাক্লবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিম কেক কক্তুনা তরাম্না ওকখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৭ :
হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লক্লবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিম তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা কেক কক্তুনা হরাউবা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা হোটেল ষ্টাফশিংনা মায় পাক্লক্লবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেরোশিং অদুবু কেক কক্তুনা হরাউবা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ইন্দিয়ানা চাউনা মায় পাক্লকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী বোলর রবিচন্দ্রন অশ্বিননা অচৌবা মতেং পাঙখি।

বোলর রবিচন্দ্রন অশ্বিননা টেষ্ট মেচ অদুগী মরিশুবা নুমিৎতা ৱিকেট তরুক লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৭৫ তা ইন্দিয়ানা মায়থীবা পীরমখি। মেচ মায় পাল্লবা মতুং বিরাট কোহলিনা লুচিংবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমনা মখোয়না লৈরিবা হোটেল অদু থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা হোটেলগী ষ্টাফশিংনা নিংথিরগা কেক অমা মীয়াম পূন্না ককমিন্নদুনা হরাউবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তরাম্না ওকখি।

কে এল রাহুলনা টেষ্ট মেচ অদুদা রন ৯০ অমদি ৫১ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। টেষ্ট মেচ অসিদা কে এল রাহুলনা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক্তা মহাক্না কেক অদুবু ময়াম পূন্নমক্কী মহুৎ শিন্দুনা ককহনখি।

বোর্দর গবাস্কর হায়না মীংথোনবা টেষ্ট মেচ অদুদা হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা টেষ্ট মেচ অমমম মায় পাক্তুনা চপ মান্ননা লৈখ্রবনি।

টেষ্ট মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী বোলর অশ্বিননা ৱিকেট তরুক লৌখিবগা লোয়ননা পূন্না ৱিকেট ২৫ শুখ্রে। ইনি দয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী টেষ্ট মেচ ১-১ দা লৈনখ্রবা মতুং অহুমশুবা টেষ্ট মেচ থা অসিগী ১৬ তা রাঞ্চিদা শান্নরগনি।

অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী বোলর অশ্বিননা ৱিকেট তরুক লৌখিবা অসিনা মহাক্কী ক্রিকেটকী কেরিয়রদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি। বিরাট কোহলিগী য়াম্না হৈশিংলবা অমদি কেপ্তেন অমা ওইবগী মতিক চারবা গুণ অসিনা ইনি দয়ন টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা তপ্না তপ্না পুশিল্লকপগা লোয়ননা বিরাট কোহলি ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না মতিক ময়াই চেল্লবা টেষ্ট কেপ্তেন অমা ওইরি। মহাক্কী লিচিং মখাদা রাঞ্চিতা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেচ অসিদসু য়াম্না চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোক্লি।

# মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে এস সী লম্বুলেন্দ রন ১১ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে এস সী লম্বুলেন্দ রন ১১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকখিবনা টিমদুগী বেচটমমেন এন সসিনা রন ৬৫ (৬২) লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা অচৌবা মতেং পীখি।

টিমদুগী বেটচমেন ষ্টেনলিনা রন ২০ (২০), রোবেন্না রন ১৩ (১৩), রোবিন্দ্রোনা রন ১৩ (২১) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা কে এস সী লম্বুলেন্দগী বোলর গোগৌনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৪ লৌখি। গৌমিনলুন্না ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ লৌখি। নিংহোন্না ওভর ২ দা ৱিকেট অমা অদুগা মার্টিন্না ওভর ৬ তা ৱিকেট অমা লৌখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা কে এস সী লম্বুলেন্দনা ওভর ৩০ মায়োক্ল খিবদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৪৬ খক লৌদুনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মখূৎতা রন ১১ দা মায়থীখি।

মেচ অদুদা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা কে এস সী লম্বুলেন্দগী বেটচমেন গৌমিনলুন্না রন ২৬ (২৬), গোগৌনা রন ২০ (২১), লুলুন্না রন ১৩ (১৭) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোলর অরুন্না ওভর ৬ লংখিবদা ৱিকেট ৪ লৌখি। রোবিন্দ্রোনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২, সুরজিৎনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২, বিকোমনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোনগী বোলর অরুন্না ওভর ৬ তা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। মথংগী মেচ থা অসিগী ৯ দা ক্রাও খম্নাম বজারগা নবসা খা ইম্ফালগা শান্নরগনি।




HL-P/1010/03/03-6/04

# সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল সী আর পি এফ রনিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস) : গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিংনা শিন্দুনা লৈখিদ্রবা সহিদ মনোরঞ্জন মীংদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা তরেৎরক শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ রনিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ থা অসিগী ২৩ দগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোল্লগনি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল সী আর পি এফ রনিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি ফী পীশিল্লক্কদবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৬ না শরুক য়াগনি। নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিম ১৬ কী মমিংশিং অদু ফোর্ম পীশিল্লকপশিং অদুগী মনুংদগী খন্দোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ত্রোফি অমসুং লুপা লাক্ষ অমগী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপ তারবা টিমদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৭৫ অদুগা শরুক য়ারিবা টিমশিংদনা লুপা লিশীং ২/২ গী শেলগী মনা পীগনি।

কুমজা ২০১১ দগী হৌনা লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসি লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা সী আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইরম্বা সহিদ মনোরঞ্জনগী মিংদা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

সহিদ মনোরঞ্জন লৈখিদ্রবা বুধচন্দ্রা অমসুং এন জি মেমচা দেবীগী অমত্তা ঙাইরবা মচানুপানি। সহিদ মনোরঞ্জন কুমজা ২০০৭ তা সী আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইনা থবক তৌখি। ছটিশগরদা ২০১ কোব্রা বটালিয়ন্দা সহিদ মনোরঞ্জন থবক তাখি। ছটিশগরদা এক্সত্রিমিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা মহাক লৈখিদবনি।

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা ফুটবোলবু হেন্না চাওখৎহন্নবা অমদি লমদমসিসগী নহা ওইবা অমদি টেলেন্ট লৈবশিংবু খন্দোক্তুনা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংদা থবক তৌননবগীদমক পাঙথোকপনি।

থৌনা ফরবা সহিদ মনোরঞ্জন্না লৈপাক অসিগীদমক ছটিশগরদা কুমজা ২০০৯ দা নেক্সলাইটশিংগা খূৎ থোক্লবা অদুদা লৈখিদবনি। মহাক্কী মীংদা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিংনা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি লেপ্তুনা লাংজিং অচৌবদা লৈবা দল্লিয়ু এস সীগী গ্রাউন্দদা পাঙথোরকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী চহী অসিদগীদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্তুনা হেন্না চাউবা টুর্নামেন্ট অমা ওইনবা হোৎনরি।




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3673/17/2-22/3







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com